হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, দিসেম্বর ২২, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৬৬শুবা মশীং

# ফিল্ম অমসুং লিলাগী মমিং

## সেন্সরনা কোনশিনফম থোক্তব্রা

ফিল্ম হায়বসি মীওইবা খুন্নাইনা পুথোরক্লবা মতুংদা কোন্না থেংনা মণিপুরদা য়ৌরকখ্রবসু লিলা নৎত্রগা শুমাং কুম্মৈ হায়বসিদি নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদগী লৈরকখিবগী ৱারী লৈরে। মতমগী মতুংইন্না আর্ট ফোর্ম অসি মপূং ফাবা 'এন্টরটেনমেন্ট পিস' অমা ওইহল্লক্লে। ফিল্মরোমদা য়েংলুরবসু মপূং ফাবা ফিল্ম সিটি, ষ্টুদিও অমসুং খম-থেংবা মতমগা চুনবা রেকোর্দিং অমসুং এদিটিং সেন্টর/ষ্টুদিওশিংগী মশীং খরা ৱাৎলিবা ওইরগসু তঙাইফদনা মখল পূম্নমক্কী ফিল্মশিংগী প্রদক্সন তৌবা ঙম্লে। লিলা অমসুং ফিল্মনা ঙসি কনবা ঙম্লক্লিবা ফিদা-ফম্ফমসি মেজিকতৌনা মিৎমাংদা ফন চোঙথোরকপা অমসুং চোঙখৎলকপা নত্তে। লম্সিদা থৱায় য়াওজবশিংনা কথোকপগা লোয়ননা হোৎনজরকখিবা, লাংশিঞ্জরকখিবা মচাক-মথুম কয়াদগী ঙসিগী ফীভমসি য়ৌরক্লিবনি। মমল য়ামখ্রবা কন্ট্রিব্যুসন অমসুং ক্রেদিটনি। পূম্নমকসিনা লিলা অমসুং ফিল্মবু নোংম-নোংমগী মীয়াম্না পাম্নবা হেঙ্গৎলক্লিবনি। নোংমগী পুন্সিদা মরু ওইবা মচল অমা ওইরকপগা লোয়ননা খুন্নাইলোন, শেন্মীৎলোন অমসুং লৈঙাকলোনদা অচৌবা থৌদাংশিং লৌরক্লিবনি। তশেংনমক লিলা অমসুং ফিল্ম হায়বসি এদ্যুকেসনগী, করিগুম্বা হীরম অমগী মতাংদা এৱ্যের্নেস পীনবগী, সেন্সিটাইজেসন তৌনবগী মরু ওইবা মেদিয়ম অমা ওইরক্লিবনি। তশেংনমক লিলা অমসুং ফিল্ম অসি ইনফোর্মেল এজেন্সী ওফ লর্নিংনি হায়বা য়ারক্লবনি। ইশম শম্বদা হৌজিক ফাওবদা মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী তমথীরবা লাংদগী মণিপুরগী মীয়াম নান্থোকচনবা শোক্নরকপা লানদা লিলা অমসুং ফিল্মনা অচৌবা থৌদাং লৌখি। কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌবগী মতাংদা, কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং ঙাক্নবগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনখি। ফনা য়াম্না কান্নখি। কোভিদ-১৯ খক্কী নত্তনা লিলা অমসুং ফিল্মনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকই, হৌজিকসু লৌরি। মায়কৈশোমদা য়েংলুরগদি লিলা অমসুং ফিল্মদা য়াওরিবা শিন, ঈশৈ-নোংমাই, দাইলোগ অমসুং আর্টিষ্টশিংগী মওং-মতৌ, মখোয়গী মুভমেন্ট, মায়থোঙ, প্রজেন্টেসন অমসুং মখোয়না লৌরিবা রোল পূম্নমক তমজনীংঙাইগী তমজনীংঙাই ওইবদা নত্তনা লিলা অমসুং ফিল্মগী মমিংসিসু তমজনীংঙাই, ফিদমনীংঙাই ওইবা মরু ওইবা শরুকনি হায়বদা লানগদ্রা?

মসি ওইরগদি লিলা অমসুং ফিল্মগী মমিংশিংদা তাবদা, উবদা কাউথোকপা ঙমহন্দনা নীংশিংনীংঙাই ওইহনববুদি য়াই অদুবু হু চাবা-থকপগা মরী লৈনবা মমিং অমদি মী শিবা য়াবা থাঙ-তেনগা মরী লৈনবা ৱাহৈশিং ফিল্মগী মমিংশিং ওইনা থোনবদি ফিল্মদুনা পীনীংলিবা অফবা-অচুম্বা মেসেজশিংদগী ওন্ন-তৈননা নেগেটিভ ইম্পেক্টলোমদা হেন্না পীরক্কদ্রা হায়বগী ৱাফম লাকওইদ্রা? থাঙ পল্লি হায়দুনা খূৎলায়সিগী মমিং পনবা ৱাহৈশিং ফিল্মগী মমিংদা শীজিন্নরগুমসি হায়বা নত্তে। অদুঙৈগী জি সী তোংব্রাগী ফিল্ম 'খূৎথাঙ লমজেল' দা থোইদোক্লা নীংদোল পোম্নখিদে, পীশুম শুক্লখিদে। অদুবু থাঙ চানি নৎত্রগা হু থক্কেগা হায়বা ৱাহৈশিং থোরক্লগদি পীনীংলিবা মেসেজশিংদুগা ইরোয়ননা নেগেটিভ থিঙ্কিং অমসু মমি তাহল্লক্লবগী মরম ওইরক্কদ্রা হায়বগী ৱানি। হোল্লিব্রুদ, বোল্লিব্রুদকুম্না মনিব্রুদকীসু স্ক্রিপ্টতগী হৌরগা স্ক্রিন-প্লে, কোরিওগ্রাফ, ম্যুজিক অমসুং কষ্ট্যুম্নচিংবদা সেন্সরগী খূৎফম তাবদৌনা ফিল্মগী মমিংদসু খজিক্তংগা মিৎয়েং চঙহন্নীংই। মতম অমদা তৌনরম্লবসু ঙসিগী মণিপুরী ফিল্মশিংদদি য়াওরিবা নুপা অমসুং নুপী কেরেক্টরশিংগী মমিংশিং ফাওবা ইন্দিজেনিয়স ওইবা মমিংশিং থোন্দুনা শীজিন্নবগী চৎনবী অমা লৈরকপদৌনা তৌরি। লোনয়ান শীজিন্নদবগী মমি তারক্লি। মসি ঈশৈদসুনি, দাইলোগতসুনি। অদুবু মীরোল নত্তে, লোনয়ান নত্তে হায়দুনা তাবদা, উবদা থুক লাওগদবা অকনবা ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা ফিল্মগী অমদি লিলাগী মমিংশিং থোনবা চুমগদ্রা নৈনহন্নীংই। হোয়, লিলা নৎত্রগা ফিল্মদু য়েংলুরগবুদি মমিংশিং অদুনা পীনিংলিবা ৱাখল্লোন, মদুগী ৱাহন্থোক ফজনা লৈরম্বদগী ৱাখল তারকপবুদি য়াই। অদুবু হেক তাবদদি মহৌশাগা তাইওন্নবা ঈহুল অমা ফাওহল্লি হায়নীংই। মরমশিং অসিনা য়ারিবমখৈ ফজবা, চিন্দোন-লৈতোন্দা পকপদা লায়না থোকপা, হায়দোকপদা লায়বা, তোয়না নীংশিংহনগদবা ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা থোলহন্নীংই। ফজবা, চিন্দা পন্নিংবা নীংশিংদুনতা লৈনীংবা ফিল্ম অমসুং ফিল্মগী মমিংদগী হোটেল, রেষ্টুরেন্ট, দুকান, পার্কনচিংবা কয়াগী মমিং থোন্নরিবনি। মসিনা ফিল্মদুগী মতিক ময়াই অমুক্কা হেন্না হেঙ্গৎহনবগা লোয়ননা চহী কয়া হৌখ্রবা অরিবা ফিল্ম ওইরবসু য়েংগদবা মীওইশিংগী মীৎমাংদদি মল্ল-মল্ল লৈনুংশি হায়বদুম্মক থোকহনবা ফিল্মশিং লৈরিবনি। মরম অসিনা ফিল্মগা মরী লৈনরিবশিংনা শীজিন্নবা য়াদবগী তঙাইফদবসু লৈতবনা মহুৎ শিন্দোক শিঞ্জিন তৌহন্নবা মিৎয়েং চঙহন্নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩২

১) মণিপুরগী মমিং চৎলবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি *''কৈথেল লুকোক''* হায়বসি। কনানা ইবা করি ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবনো?

২) **''কিশি''** হায়বা (২০১৬তা ফোঙবা) লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) রঘু লৈশাংথেমনা ইবা *''খুঙ্গংগী চিঠি''* হায়বা লাইরিকসি কনানা করি মমিং হায়না ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৪) *''ঙসি ঙসি হয়েং হয়েং মাঙখি মতমসু।/হন্না য়ৌনবু য়েংবীরমদে কনাবুসু।/নুংশি হৈতবী মতমনি/ৱারকচেৎপী মহাক্লি।''* শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

৫) *''লাইথুং মখাকলাইমন মচিৎ''* হায়বা লাইরিক্কী অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# দাইমেন্সন অনীগী পেরোভস্কাইটশিং শীজিন্নবা, য়াম্না পাবা সোলর সেলশিংনা অনৌবা য়াওল অমা পুরক্কদৌরি

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

কুমজা ১৮৩৯দা ফ্রান্সকী ফিজিসিষ্ট Edmond Becquerel না অহানবা সোলর সেল শাখি। কুমজা ১৮৮৩দা Charles Fritts না জংসনশিং শেম্নবগীদমক সনাগী অপাবা মরোল অমা সেমিকন্দক্টর সেলেনিয়মদা তৈশিন্দুনা অহানবা সোলিদ ষ্টেট সোলর সেল শাখি; সেলসিগী ইফিসিয়েন্সিনা চাওরাক্লা ১% ওইখি। অসুম্না সোলর সেলগী খোঙচৎসি তপ্না-তপ্না চাওখৎলক্তুনা, বেল লেবোরেটরিজদা Calvin Souther Fuller, Daryl Chapin অমসুং Gerald Pearson না কুমজা ১৯৫৪দা শীজিন্নবা য়ারবা, অহানবা সোলর সেল মীয়ামদা খূৎশিন্নরকখি। ঙসিদি সোলর সেলগী চন্নফমসি ফনা ফজনা লৈরে হায়বা য়াই। কালকুলেটরদগী হৌরগা সেটলাইটশিং, লম্বীদা মৈ থানবা অমসুং য়ূমশিংদা মৈ থানবগী থবক্লচিংবদা সোলর সেলশিং শীজিন্নরে। অদুবু সোলর সেলশিংসি মপূং ফাবা হায়বদুদি ওইদ্রি, হায়বদি মখোয়গী ইফিসিয়েন্সিসি নেল্লি। অদুনা ইফিসিয়েন্সি ৱাংবা, অয়াংবা অমসুং অকোয়বগী ফীভমদা হেন্না ফগদবা মেটরিএলশিং থিজিল্লোইশিংনা থিদুনা লাক্লি। অনৌবা মেটরিএল অমা ওইনা পেরোভস্কাইটশিংদা থিজিনবগী থবকসি কন্না পাঙথোরক্লি।



2D পেরোভস্কাইট শানবগীদমক মপং ওইশিল্লক্লিবা কম্পাউন্দ অমগী সবষ্ট্রেট অমদা স্পিন-কোট তৌবা

অসুম্না থিজিল্লকপসিদা, রাইটস য়ুনিভর্সিটিগী থিজিন-লূপ অমনা দাইমেন্সন অনীগী পেরোভস্কাইটশিং পুথোক্তুনা ইফিসিয়েন্সিসি ১৮% য়ৌহনবা ঙম্লে হায়না "নেচর নানোটেক্নোলোজি" (২২ নবেম্বর, ২০২১) দা ফোঙদোরক্লি। মখোয়গী সোলর সেলসি এটম অমগী চাংদা পাই অদুগা অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমশিংদা মতম কুইনা ফীভম কাইদনা লৈবা ঙম্মী হায়রি। জর্জ আর ব্রাউন স্কুল ওফ এঞ্জিনিয়রিংগী Aditya Mohite গী লেবতা শেমগৎলকখিবা দাইমেন্সন অনী (2D) গী পেরোভস্কাইট সোলর সেল অসি হান্না পুথোকখ্রবা পেরোভস্কাইট সেলশিংদগী হেন্না ফরবনি হায়রি। পেরোভস্কাইট সেলশিংগী খোঙচৎসি য়াম্না য়াঙনা চেল্লি। অতোপ্পা সেমিকন্দক্টর সেলশিংনা শীজিন্নবা য়াবা সোলর সেলশিং ওইরকখিবদা চহী য়াম্না চঙখি অদুবু পেরোভস্কাইটশিংগী ইফিসিয়েন্সিনা ২৫% মুক য়ৌরকপগী খোঙচৎসিদদি চহী তরামুক্তা চঙলি হায়না Mohite না ফোঙদোক্লি। থিজিনবগী থবক অসি Purdue অমসুং নোর্থ ৱেষ্টর্ন য়ুনিভর্সিটিশিং; য়ু এসকী দিপার্টমেন্ট ওফ এনর্জি (দি ও ঈ) গী নেসনল লেবোরেটরিজ লোস অলামোস অমসুং ফ্রান্সকী ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ দিজিটেল টেক্নোলোজি (আই এন এস এ) গা খূৎশম্নরগা পাঙথোরকখিবনি।

পেরোভস্কাইটশিংসি ক্যুব মওং মানবা ক্রিষ্টল লেট্টিসশিংনি অমসুং মখোয়না নুমিৎকী মঙালবু ইলেক্ট্রিসিটিদা ফজনা ওন্থোকপা ঙম্মী; অদুবু মখোয়গী ফত্তবা অমদি ষ্টেবল ওইদবা মতৌদুনি হায়বদি মখোয়বু নুমিৎকী মঙাল অমসুং নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলনা য়াম্না লায়না মাঙহন-তাকহনবা ঙম্মী। সোলর সেল অমনা য়ামদ্রবদা চহী ২০দগীনা ২৫ মুক্তি মথৌ ফজনা তৌবা হায়বসি তঙাইফদবনি। থিজিন-লূপ অসিনা চহী কয়ামুক থিজিল্লবা মতুংদা অনৌবা পেরোভস্কাইট মেটরিএল অসি ফংলকখিবনি। মেটরিএল অসিদা মঙালনা য়ৈবা মতমদা ঐখোয়না স্পোঞ্জ অমা পায়শিনবগুম্না, মেটরিএল অসিগী মরোল (লেয়র) শিংদু পুনশিন্নরক্তুনা চার্জ ট্রান্সপোর্ট তৌবা হেনগৎহল্লি। অসুম্না মরোল অমগা অতোপ্পা মরোল অমগা ইন্টরেক্ট তৌনবসি হেনগৎহন্নবগীদমক লূপ অসিনা মথক্কী মরোল ওইরিবা আইওদাইদ অমসুং মখাগী মরোল ওইরিবা মিশি (লেদ) ওর্গানিক কেটাইওনশিংগী মরোল অমা থম্মী। অসুম্না তৌবসিনা পোজিটিভ চার্জশিংনা মরোল অমদা অদুগা নেগেটিভ চার্জশিংনা অতোপ্পা মরোল অমদা লৈরিবা ইক্সাইটেদ ষ্টেটশিং অমসুং ক্বাসিপার্টিকলশিং নৈনবদা য়াম্না কান্নহল্লম্মী অমসুং মখোয় মশেল অমগা অমগা ইন্টরেক্ট তৌনরম্মী।



2D পেরোভস্কাইটকী য়াম্না পাবা সোলর সেল

পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদু ফ্রান্সকী খোঙলোইশিংনা কম্প্যুটর মোদেলশিংগী মতেংনা চুম্মী হায়বদু উৎলম্মী। অসুম্না থিজিনখিবসিনা সন-ইন্টেন্সিটি ১ (১ $kW/m^2$ গা মান্নৈ) দা সোলর সিমুলেটর অমগী মখাদা থম্বদা, মিনট ১০ থম্লবা মতুংদা দাইমেন্সন অনীগী পেরোভস্কাইটশিংদুগী শাংবগী চাংনা ০.৪% অদুগা মথক্তগী মখারোমদনা ১% মুক চপশিল্লকই হায়বদু উৎলম্মী। হায়রিবা মহয় অসি সন-ইন্টেন্সিটি ৫দা থম্বদদি মিনট ১গী মনুংদা উবা ঙম্লম্মী। অসুম্না ১% চপশিল্লকপা অসিনা ইলেক্ট্রোনশিংনা চেনবগী চাং য়াম্না হেনগৎহল্লম্মী হায়না রাইটস য়ুনিভর্সিযিগী Wenbin Li না ফোঙদোক্লি। মসিদগী মেটরিএল অসিগী ইলেক্ট্রোন চেনবগী চাংসি শরুক অহুম হেনগৎহনবা ঙমখি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়রি। অসুম্না তৌবা মতমসিদা দিগ্রী সেলসিয়স ৮০ ফাওবা শাহল্লবা ফাওবদা লোট্টিস অদুগী নেচরনা ঈশিং-নুংশিৎনা মাঙহন-তাকহনবগী চাংসু হন্থরক্লম্মী। অদুগা মঙাল পীশিনবদু হেক লেপ্পগা লেট্টিস অদুনা থুনমক হান্নগী নোর্মেল ওইবা ফীভমদা হঞ্জিল্লকপসু ঙম্মী। দাইমেন্সন অনীগী পেরোভস্কাইটশিংগী হ্যুমেদিটিদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা, মৈশাদা ষ্টেবল ওইবা অমসুং আইওন মাইগ্রেসন প্রোব্লেমশিং থোকহন্দবা ঙম্বা ওর্গানিক এটমশিং মহৌশানা য়াওজে। দাইমেন্সন অহুমগী পেরোভস্কাইটশিংদদি অসিগুম্বা মগুনসি চেন্দে হায়না থিজিনবসিদা শরুক য়াখিবা Siraj Sidhik না হায়রি।

মেটরিএল অদুনা চপশিল্লকপদুবু য়েংনবগীদমক, দি ও ঈগী নেসনল সিংক্রোট্রোন লাইট সোর্স II অমসুং এদভান্সদ ফোটোন সোর্স (এ পি এস) শীজিন্নখি। মেটরিএল অদুগী য়াম্না পিক্লবা ষ্ট্রকচরদা হোংলক্লিবশিংদু খঙননবগীদমক এ পি এসকী অলট্রাব্রাইট এক্স-রেবু ফিজিসিষ্ট Joe Strzalka না শীজিন্নরম্মী। এ পি এসকী বীমলাইন 8-ID-E দা লৈবা সেন্সিটিভ ওইরবা খূৎলায়শিংনা "operando' ষ্টদিশিং পাঙথোকপা ঙমহনখি। তাঞ্জাসিদা Strzalka অমসুং মহাক্কী খোঙলোয়শিংনা শাবগী চাং হোংহন্দনা থম্লগা, সোলর সেলগী ফোটোএক্টিভ মেটরিএল অদুবু সিমুলেটেদ সনলাইট (নুমিৎকী মঙাল) না য়ৈহল্লম্মী অদুগা এটোমিক লেভেলদা য়াম্না পীকপা চাংদা চপশিল্লকপদুবু য়েংলম্মী।

Strzalka না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না এ পি এস অসি হৌজিক য়াম্না কন্না অপগ্রেদ তৌরি, মসিনা মপূং ফারকপদদি মসিগী এক্স-রেশিংগী ব্রাইটনেস অসি শরুক ৫০০ ফাওবা হেনগৎলক্কনি। মতম অদুদা, হেন্না ব্রাইট ওইবা বীমশিং অমসুং হেন্না থুবা, শার্প ওইবা দিটেক্টরশিংনা অসিগুম্বা অহোংবশিং অসিবু হেন্না মপূং ফানা পুথোকপা ঙমহল্লগনি। অসুম্না মেটরিএলশিংগী মগুণ হেনগৎহনবা ঙম্লক্কনি। কেটাইওন অমসুং ইন্টরফেসশিংবু এঞ্জিনিয়রিং তৌদুনা ইফিসিয়েন্সি অসি ২০%দগী হেলহনবা ঙমগনি। মসিনা মীয়াম্না 2D পেরোভস্কাইটশিংবু 2D পেরোভস্কাইট/সিলিকোন অমসুং 2D/3D পেরোভস্কাইট পুনশিন্নহন্দুনা শীজিন্নবা য়াহল্লক্কনি; মসিনা ইফিসিয়েন্সিসি ৩০%গী ময়াদা য়ৌহল্লকপা ঙমগনি। মতমদুদদি সোলর সেলশিং শীজিন্নদুনা, অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীদবা ইলেক্ট্রিসিটি পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়না Sidhik না ফোঙদোক্লি। ●

# কবুই সলাং মাইবা অমসুং খোরী কৈথেল

- ডি এল কবুই -

কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পোইনুগী ১৫নি পানবা পুর্ণিমা নুমিত্তা **'কবুই সলাং মাইবা নীংশিং থৌরম'** পাঙথোক্লি। মসি কবুই ফুরুপ চাওখৎনবা অমদি কবুই সলাং মাইবগী মতিক মগুণ হেনগৎনবা পাঙথোকপা নত্তে।

কবুই সলাং মাইবগী মতিক মগুণদি, মোইরাং কংলৈরোলদা ময়েক শেংনা তাকখ্রবনি। অখঙ-অহৈ, ওজা-গুরু, কবি কয়া-কয়ানা শৈথাদুনা ঈনোৎ হাপ্পীদুনা য়াম্না ৱাংনা অঙকপগী থাক্তা হান্না লৈখ্রবনি। মৈনা ঈশিংনা লৈরিবা ফাওবা নৌদুনতা লৈরগদবা পুৱারীগী তাঙ্কক অমা ওইরবনি। অনৌবা মীরোলনা শৈথাবদা য়ৌবা ঙম্লরোইদবা লেঙদ্রবা অথোইবা মাইবনি। কবুই সলাং মাইবদি ইন্টিগ্রিটিগী সিম্বোলনি, নুংশিবগী মফমদা জাৎ, ধর্ম্ম খায়দে, ইতাওগী মফমদা লাল চঙদে হায়বদু ময়েক শেংনা থম্বীরম্বা তোমথিলনি।

অদুবু হৌজিক্কী মতম হায়বদি অনৌবা যুগকী মীরোল অসিদা চান্ন-চিন্নবা ইন্টিগ্রিটিগী ৱাফম অসি অচৌবা শিংনবা অমা ওইরি। অসিগুম্বা চিরবা মতম অসিদা মোইরাং কংলৈরোলদা কবুই সলাং মাইবনা লৌরম্বা থৌদাংশিং অসি মালেমদা খুন্দারিবশিংনা তমজনীংঙাই ওইরবা অমত্তা ঙাইরবা শান্তিগী লম্বীনি খঞ্জদুনা মতিক-মগুণ লৈরবা মাইবা অসিগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকচবনি। অহল-লমন, লাই-গুরুশিংগী মতমদা অমত্তা ওইনা চান্ন-চিন্ননা নুংশিনা লৈমিন্নবা য়ারগা মচা-মনাও ওইবা অনৌবা মীরোল ঐখোয়না করিগীদমক লৈমিন্নবা য়ারোইদবনো হায়বগী মিৎয়েংদা পুৱারীগী ওইবা পোৎতু পুথোকচবনি।

**অমত্তা ওইবগী খুদম :** মৈতৈনা শীজিন্নরিবা ময়েক্লাইবা ফনেক মপাল্লোনবা ফনেক হায়রগসু খঙনবা অসিগী মরমদা চৈথারোল কুম্বাবগী লমায় ৮দা **''মৈদিংঙু য়াংলৌ কৈফাবা শকাব্দ ৮৯১দা নিংথৌ ওইএ। মহাকথক্তা ফনেক ফিবান্দা খোই লোনবা হৌদোক্লমএ''** হায়না পীরি। মসিনা ময়েক শেংনা তাকই, ঐখোয় অমত্তনি। মসিদসু নত্তনা কবুইগা মৈতৈগা, কবুইগা মোইরাংগা লৈনবা মরী; অমত্তনি হায়বগী খুদম চাংদম পুৱারীগী লমায়দা, কংলৈরোলগী লমায়দা ময়েক লানা য়াম্না শেংনা লৈখ্রে। পূম্নমক অদুগী অচুম-অরান অদুদি অখঙ-অহৈ পুৱারী নৈনবশিংগী থবক ওইরসনু। পূম্নমক অদু থমখ্রগা, হৌজিক মৈতৈনা শেৎলিবা ময়েক্লাইবা ফনেক মপাল লোল্লিবা অসিগা কবুইগী 'হিয়াক্কিন ফৈশোই' (ময়েক্লাইবা ফনেক) অসিগা করিমত্তা খেন্নদে হায়না লৌজে। মসিনা তাক্লিবদি ঐখোয় অমত্তনি হায়বসিদা য়েৎনীংঙাই থোইনা লৈত্রে হায়না লৌই।

**হিয়াক্কিন ফৈশোই :** কবুইগী ফনেকশিং অসি চহী মতাংদা অমদি মফম মতমগী মতুংইন্না শীজিন্নফম তোঙান-তোঙান্না লৈজে। কবুইগী **''হিয়াক্কিন ফৈশোই''** (ময়েক্লাইবা ফনেক) অসিনা লাংরিবা ময়েক্কী মতুংইন্না মমিংসু তোঙান-তোঙান্না লৈ। ময়েক্কী মতুংইন্না নুপীমচা, লৈশাবী, মৌনহা, মীয়াইচল্লবী অমসুং হনুবীনা শেৎকদবা ময়েক মখলশিং তোঙান-তোঙান্না খাইদোকই। কবুইগী ফনেক মখলশিং, ময়েকশিং অমসুং শীজিন্নগদবা মফম মতম্নচিংবশিং অদুদি য়াম্না পাক চাওনা লৈখ্রে। মরম অদুনা মদুগী অকুপ্পা ৱাফমশিং অদুদি ঙসিগী ওইনা থমজররোই।

**ময়েক্লাইবা ফনেক :** মৈতৈগী ময়েক্লাইবা ফনেক মপাল লোনবা হায়রগসু খঙনবা ফনেক অসি মফম মতমগী মতুংইন্না শেৎপা য়াবা অমসুং য়াদবা লৈ। লাইগী থৌরম হায়বদি গোবিন্দজি মন্দিরনচিংবা খুরুম্বা অমদি ধর্ম্ম-কর্ম্মগী ফিরোই, উসবনচিংবদা ময়েক্লাইবা ফনেক শেৎনদে। মপুরোইবা লৈখিদ্রবদি ময়েক্লাইবা ফনেক শেৎনদে। য়ামদ্রবদা চহী অমদি ঙাক্লা চৎনৈ। অদুন্নদি ওইরগা মচানুপানা নুপী চেল্লক্লবা, লুহোংগদবা লৈরবা, মতম অদুদদি ময়েক্লাইবা শেৎপা অকায়বা লৈতে। মপামদা মী লৈখিদবা (শিবা) য়াওরবসু মপাম চৎপদা ময়েক্লাইবা শেৎনদে। অদুগীসু মথক্তা নিংথৌগী লৈমা (মহারানি) খক্তনা শেৎকদবা হিজম ময়েক অসিনচিংবা কয়া লৈখ্রে।

অসুক য়ৌনা লুরবা, ৱাহন্থোক য়াম্না লৈরবা ফনেক মখল অসি **কবুই সলাং মাইবা নীংশিং থৌরম**দা সভাপতি ওইবীরিবী ওজা কুম: বিনোলতা, পুর্ণকালিনকার্ত্তা, কল্যান আশ্রম, মণিপুরবু মপাল লোন্দবা ফনেক অসি শেৎপীনবা হায়জবদা হরাও হরাওনা য়াবীবগীদমক ঙমখৈ লৈতনা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। মসিমক্লা, মণিপুরদা ইন্টিগ্রিটি পুরকপা ওইরসনু হায়না লাইওইখ্রবা ইপু কবুই সলাং মাইবগী মফমদা থৌনিজরি। ফনেক অসি কবুই ফনেক ওইজরবসু কবুই ফনেকনি হায়না লৌবীগনু, মপাল লোন্দবা ফনেকনি হায়না লৌবীয়ু।

ঙসিগী শেংলবা নুমিৎ অসিদা ঐহাক্লা পামজবদি কবুই ফনেক, মৈতৈনা মপাল লোন্দবা ফনেক অসি কবুই সলাং মাইবা নীংশিং থৌরম অসিদা লেঙবীরকপা নিংঙোলশিং মৈতৈ, মৈতৈ পাঙল, মোইরাং, ব্রাহ্মন অমসুং রাজকুমারীনচিংবা ইচে-ইচলশিংদা খুদোল তমদুনা শেৎপীনবা হায়জনীংবনি অদুবু মণিপুরগী খুন্নাইদা শীংনবা ওইনা থোক্কদ্রা খঞ্জদুনা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমখিদ্রে। অদুবু পূক্নিংনদি খুদোল তমনীংলি, শেৎহন্নীংলি।

**মোইরাং কৈথেল :** মোইরাং লৈবাক্তা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা কৈথেল ৯ (মাপল) লৈরম্মী মখোয়শিং অদুদি : (১) খোয়ওন কৈথেল (২) ঙাঙ্খ কৈথেল (৩) ঙংলৌ কৈথেল (৪) ওকচিন কৈথেল (৫) হিগা কৈথেল (৬) খোরী কৈথেল (৭) চেংবৈ কৈথেল (৮) য়াওশু কৈথেল অমসুং (৯) খাম্বী কৈথেল মখোয়শিং অসিনি। হায়রিবা কৈথেলশিং অসি অয়াম্বা লৈত্রে। হৌজিক লৈরিবা মোইরাং কৈথেল হায়না খঙনরিবা অসি ওকচিন কৈথেলনি। মোইরাং লমখায়দা লৈবা কৈথেল অসিনা খোয়ওন কৈথেলনি অদুবু মফমদি হোংঙে। হৌজিক ইলেক্ট্রিসিটি ওফিস লৈরিবা অসিগী মনিংদা লৈরম্বনি। খোরী কৈথেলসু লৈত্রে হায়বা য়ারে অদুবু কৈথেল লাইরেম্বীগী লাইশঙ য়ূম মচা অমা শাদুনা খোরী কৈথেল লাইরেম্বী লেঙশিন্দুনা লৈরি।

**মোইরাং খোরী কৈথেল :** মোইরাংগী খোরী কৈথেলদা শামু খোঙয়েৎপদা মাঙখ্রদৌবা খম্বগী থৱাইমি কবুই সলাং মাইবনা কৌশিন্দুনা খম্বগী থৱায় কনখি। অসিগুম্বা সিম্বোলিক ওইরবা পুৱারীগা শাগোন্নরিবা খোরী কৈথেল অমদি মতিক-ময়াই লৈরবা মাইবগী মগুণবু অনৌবা যুগকী মীরোল ঐখোয়না মাঙহনফম থোক্তে, কাউফম থোক্তে। থোইবী মশুংলাংগীদমক খোরী কৈথেলগী চেগাই মরক্তা উপ্না তারে উপ্না চিংবা, লোংনা তারে লোংনা চিংবা, চেপ্না তারে চেপ্না চিংবদা মশা পূম্বা ঈখেংতনা হিংবগী মচেৎ ওইনা হুন্দোকপীরবা মতমদা কবুই সলাং মাইবনা খম্বগী থৱায়মি কৌশিন্দুনা খম্ববু কনখিবগী ৱারী শক্লাইরবা কবিশিং অমদি পেনা শকপা ওজাশিংনা শৈথাদুনা তগৎ তগৎ তেক্লা ঙসি ফাওবা লৈরি।

অসিগুম্বা লাইওইখ্রবা লাইগী মতিক-মগুর চেল্লবা মীওইপোক অসিগী খোঙ্গুল লিবতনা লৈবাক অসিদা চান্ন-চিন্নবা, শান্তি পুরকপা ঙমগনি হায়না য়াম্না চেৎনা থাজে। ●